# সিক্যুরিতি দিপোজিট ককহৌদবা, শেল হেন্না পীথোকপদগী লুপা ক্রোর ১.৬৭ পীথোকখ্রে ঃ সি এ জি রিপোর্ট

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৫ ঃ প্লানিং দিপার্টমেন্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্ট্রোলগী মখাদা লৈবা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইতিনা তোঙান তোঙানবা থবক ২৪গী ককফম থোকপা সেক্যুরিতি দিপোজিট ককহৌদবা অমসুং শেল হেন্না পীথোকখিবদগী লুপা ক্রোর ১.৬৭ গী শেনফম কন্ট্রেক্টরদা পীথোকখ্রে হায়রি।

হন্দক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুথোকখিবা সি এ সি রিপোর্টকী মতুংইন্না ইং ২০১৬ কী জুলাই থাদা চখবা দিপার্টমেন্টকীস্ক্রুটিনি রেকোর্দকী মতুংইন্না ইং ২০১৩ দগী ইং ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থবক ২৪গী ওইনা লুপা ক্রোর ১৩.৯১ থাদোকখ্রে হায়না দাইরেক্টর মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইতিনা ফোঙদোরকখি।

থবক ২৪ অসিগী মনুংদা থবক ২১গী অপুনবা ৱার্ক ওর্দর ভেল্যু লুপা লাক্ষ১৬৫৪.৯৩গী মনুংদা লুপা লাক্ষ১০৩২.৪৪ পীথোকখ্রে। পীথোকফম থোকপা সেক্যুরিতি দিপোজিটকী ককহৌদবা শেনফমনা লুপা লাক্ষ ৪০.৫৫ নি। অতোপ্পা থবক ৩ গী ৱার্ক ওর্দর ভেল্যুনা লুপা লাক্ষ ২৪৫.৬৯ ওইবদা লুপা লাক্ষ ৩৫৮.৭০ পীথোক্লমখি। লোয়ননা মসিগী ককফম থোকপা শেনফম লুপা লাক্ষ ১২.৯৪সু ককহৌখিদে।

ৱার্ক ওর্দর ভেল্যুদগী হেন্না শেল পীথোক্লমখিবা থবকশিংগী মনুংদা কন্সত্রক্স ওফ পব্লিক হোল ফেজ–ৱান (ইন্টিগ্রেটেদ মেগা তুরিষ্ট সার্কুইট কাইনা)তা লুপা লাক্ষ ৫৮.৯৬, কন্সত্রক্সন ওফ টুরিষ্ট লোদজ ফেজ ৱান দা লুপা লাক্ষ ৫.৭১ অমসুং ইন্টিগ্রেতেদ মেগা টুরিষ্ট সার্কুইট কাইনাগী মেইন এন্ট্রেন্সগী আর্ক শাবগী থবক অসিদা লুপা লাক্ষ ৪৮.৩৪ হেন্না পীথোক্লমখিবনি।

সি পি দব্লিউ দি ৱার্ক মেন্যুএল ২০১২ অসি থুগায়দুনা থবক ২৪ অসিগী ওইনা কন্ট্রেক্তর বিলদগী ককফম থোকপা সেক্যুরিতি দিপোজিটকী শেনফম লুপা লাক্ষ ৫৩.৪৯ কক্লমখিদে। লোয়ননা থবক অহুমদা লুপা ক্রোর ১.১৩ গী শেনফম হায়বসি ৱার্ক ওর্দর ভেল্যুগী চাদ ৪৬ রোম পীফম থোকপা শেনফমদগী হেন্না পীথোক্লমখি। মসি জেনরেল ফাইনান্সিয়েল রুলনা পীরিবা ৱাফম অদু থুগায়বনি হায়না রিপোর্ট অসিনা পল্লি। শেনফম হেন্না পীথোকখিবা অসিনা সেক্যুরিতি দিপোজিৎকী শেনফম লৌখৎনবগী খুদোংচাবা অদু ফংহন্দ্রে হায়রি।

লৌখৎফম থোকপা সেক্যুরিতি দিপোজিটকী শেনফম লুপা লাক্ষ ৫৩.৪৯ অমসুং হেন্না পীথোকখিবা শেনফম লুপা লাক্ষ ১১৩.০১ পুন্না লুপা ক্রোর ১.৬৭ কী শেনফম অসি কন্ট্রেক্টরদা পীথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইং ২০১৭কী আগষ্টতা প্লানিং দিপার্টমেন্টতা পুথোকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা এম দি এসনা জনুৱারি ইং ২০১৮দা ৱার্ক ওর্দরগী শেনফম অদু য়েংলগা শেল পীখিবা ওইবনা শেল হেন্না পীথোকখিবা লৈতে অমসুং ককহৌদবা সেক্যুরিতি দিপোজিটকী শেনফম অদু রিকোভরি তৌরগা পীখৎপা য়াই হায়বা ৱাফম পল্লি।

এম দি এসনা জুলাই ২০১৬ তা পীরকপা ৱার্ক ওর্দরগী মতুংইন্না অপুনবা শেনফম অসি লুপা লাক্ষ ২৪৫.৬৯ নি অদুগা পীথোকখিবা শেনফমনা লুপা লাক্ষ ৩৫৮.৭০ ওইবনা এম দি এসন শেল হেন্না পীথোকখিদে হায়বদু য়াফম থোক্তে। ককহৌদবা সেক্যুরিতি দিপোজিট নৎত্রগা হেন্না পীথোকখিবা শেনফম অদু ইং ২০১৮ গী মার্চ ফাওবদা খোমগৎপগী ৱাফম লৈত্রি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

সেক্যুরিতি দিপোজিৎ ককহৌদবা থবকশিং অদুদি ইন্টিগ্রেটেদ মেগা টুরিষ্ট সার্কুইট কাইনাগী কন্সত্রক্সন ওফ কেফেটরিয়া, ইন্টরনেল ইলেক্ত্রিফিকেসন অমসুং ইন্সটোলেসন তৌবা,ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটরি ইন্সটোলেসন, টুরিষ্ট সার্কুইট অসিগী পব্লিক তোইলেট শাবা, রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং তেঙ্ক শাবা, পার্কিং শাবা য়াওরি।

অতৈ থবকশিংগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্ট কমপ্লেক্সকী হোকি ষ্টেদিয়ম শাবা অমসুং লেন্দ দিভলপমেন্ট, খৌপুম টি দি ব্লোক্কী লেন্দ দিভলপমেন্ট, চিঙাই টি দি ব্লোককী কম্পাউন্দ ফেন্সিং খাবা, এপ্রোচ রোদ শেম্বা, থৌবালদা অনীশুবা ফেজদা নর্সিং স্কুলগী একাদমীক বিল্ডিং শাবা , হোষ্টেল বিল্ডিং শাবা, অহুমশুবা ফেজগী নর্সিং স্কুলগী হোষ্টেল বিল্ডিং শাবা, ভঙ্গাই রেঞ্জ টি দি ব্লোক্কী কিচক কম ষ্টোর অমসুং দাইনিং হোলগী বিল্ডিং,মনুং ইলেক্ত্রিফিকেসন অমসুং ইন্সটোলেসন তৌবা লোয়ননা ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটরি ইন্সটোলেসনগী থবকনচিংবা য়াওরি।

লমায় ১ গী মখা

# আরএসএস ইম্ফাল বিভাক্কী সেক্রেটরী ওইরম্বা বাবুসনা...

মতম শাংনা বাবুসনাগা লোয়ননা সঙ্ঘগী থবক থৌরম কয়াদা থৌদাং লৌরম্বা ক্বাকৈথেলদগী খোমদ্রাম রাধাকিশ্বর সিংহনা লৈখিদ্রবা বাবুসনানা সমাজগীদমক তৌরম্বা থবকশিং শীংথবগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাং কয়া শীংথাখি।

চহী নৌরিঙৈদেগী হৌনা আরএসএস য়াওদুনা মীয়ামগী সেবা তৌরকখিবা লৈখিদ্রবা বাবুসনানা বিস্তারক অমা ওইনা থৌবালদা লৈদুনা সঙ্ঘগী সখা লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা অমদি ইম্ফাল বিভাক্কী সেক্রেটরী ওইনা ফম পায়দুনা লৈকাই কয়াদা খুঙ্গং খুঙ্গং দা সঙ্ঘগী থবক থৌরমশিং শন্দোকপদা চাওনা থৌদাং লৌরমখি। মণিপুরদা পাঙথোকপা সঙ্ঘগী ট্রেনিং কেম্প খূদিংদা ভজন প্রমুখ ওইনা থবক তৌরমখি। অসিদসু নত্তনা খুরাই মায়কৈগী ওইনা য়ুনিয়ন ওফ সোসিয়েল অপলিফমেন্ট (য়ুএসয়ু)গী ফাউন্দর জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা মায়কৈগী থবক থৌদা কয়াদা পাঙলম্বা মশক নাইবা সমাজ সেবক অমনি হায়না শীংথাখি।

পনবা য়াই, লৈখিদ্রবা খ্বাইরকপম বাবুসনা ১৯৫৯ আগষ্ট ১৮দা খুরাই অহোঙ্গৈদা পোকখি। অপোকপগী মিংনা ইবোমচা অদুগা অপোকপীগী মিংদা ইবেন্বী দেবী কৌই। মহাক ২০১৬ আগষ্ট ৫দা লৈখিদবনি।

# সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা...

হেক্তমক ফিরেপ লৌনবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনদবা থোকপা য়াবা সেন্তিমেন্ট শোকপা য়াবা ৱাকায় ঙাওবীগনু। ঐখোয় পুন্না মণিপুর ঙাকমিন্নগদবনি হায়খি। অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মণিপুরবু কনমিন্নসি। ইন্দিয়াগী অপুনবা শক্তম ঙাক্নবা হোৎনবদা অথৌবা অথৌবী কয়া থৱায় থাখ্রে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা লুক ইষ্ট পোলিসিবু এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়না মিংথোন্দুনা খা নোংপোক অসিয়ান লৈবাকশিং মরুওইনা ম্যানমারগা হিরম কয়াদা মতেং পীনবা , নুংশিনবা অমদি চাউখৎপা পুরক্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরক্লি। মদুগী মহৈদগী হৌখিবা আগষ্ট ৮ দা ইন্দিয়াগী মোরে অমসুং ম্যানমারগী তমু ফাওদুনা লৈখা লম্বীদা চৎপা য়াহল্লে।

হৌখিবা চহিগী জুলাই ১ দগী জি এস টি চৎনবা হৌখিবদগী মণিপুরদসু কান্নবা ফংবা হৌখ্রবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা আয়ুসমান ভারত ঙসিদগী হৌদোক্লগনি। স্কিম অসিগী মখাদা লায়রবা তোল্ল তারবা ইমুং ক্রোর ১০ দা মীওই ক্রোর ৫০ হেনবদা কান্নবা ফংহল্লগনি। ইমুং অমদা অরুবা লায়না নারবদি চহিদা লুপা লাক্ষ ৫গী লায়েংশেল ওইনা গভর্ণমেন্টতগী মতেং ফংলগনি।

হৌখিবা ষ্টেটহুদ দে নুমিত্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগী মখাদা মীওই লিশিং ৪ হেনবদা খুদোংচাবা পীখ্রে। আয়ুসমান ভারত লাক্লবা মতুং অসিদগীদি হান্না সি এম ঐচ টিগী মখাদা পীরম্বা লুপা লাক্ষ ২গী শেনফম অসি এস ই সি সিগী মনুং চন্দবা অদুবু তেংবাং অসি ফংবা য়াবা ইমুংশিংনা ফংবা য়ারগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী শোখরবশিংগী তেংবাংগী মখাদা দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিং অমদি অহল ওইরবশিংদা কান্নবা পীবগা লোয়ননা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পীদুনা মীমান্ননা হিংমিন্নবা ঙমহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

সেন্তরনা ও বি সি বিল পাস তৌদুনা নেসনেল কম্মিসন ফোর বেকৱার্দ ক্লাসেসপুসু নেসনেল কম্মিসন ফোর এস সি অমসুং এস টিগা মান্না কন্সটিট্যুস্নেল ষ্টেটস লৈহন্নবা থবক লৌখৎখ্রে। মণিপুরগী শান্ন খোৎনবগী হৈশিংববু শকখঙবীদুনা লৈবাক অসিগী নেসনেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা শাগৎকদৌরিবা অসিগীদমক নেসনেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি বিল,২০১৮ হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে। মসিনা মণিপুরদগী ৱার্ল্ড ক্লাসকী শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

ষ্টেট অসিবু শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক এন্তি করপসন সেল লিংখত্তুনা কেস কয়া লৌখৎখ্রে। থবক লৌবদা শেঞ্জা থুমজা তৌবা থিংনবীগদমক হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ফয়ার সর্ভিসকী থবক লৌবদা ফিজিকেল টেষ্টতা ভিদিও কভরেজ তৌহনখিবনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী ওইনা আই আর বি বট্টালিয়ন অনী লৌনবা থৌরাং তৌরিবা অসিদসু লাইভ ভিদিও কভরেজ তৌনবা হোৎনগনি হায়খি।

লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংনা এন্টরপ্রেন্যুরসিপকী লমদা থবক পায়খৎপা য়ানবগীদমক্তা অমদি শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক ষ্টার্ট অপ স্কিম আগষ্ট ৮ দা হৌদোকখ্রে। মসিগী মখাদা মীওই ৩৩৪দা শেন্থং পীখ্রে। শেন্থং অসিদা চাদ ৩০না গভর্ণমেন্টনা গ্রান্ট ওইনা পীরগা চাদ ৭০না বেঙ্ক ওফ বারোদানা লোন ওইনা পীবনি হায়খি।

অসামদা দ্রাফ্ট এন আর সি ফোঙখ্রবা মতুংদা আইন কায়না মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবগীদমক মণিপুর অমসুং অসামগী ঙমখৈ ওইরিবা জিরিবামদা পুলিসকী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। কংফাল লম্বীদতা নত্তনা ঈশিং লম্বীদা হি শিজিন্নদুনা মীতোপ চঙশিল্লকপা য়েংশিল্লি। হান্না স্পিদবোট অনী পীখ্রে, অনৌবা মোটোর বোট অনী অমসু এল দি এগী খুত্থাংদা ওর্দর তৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা মোরে, মাও, চুরাচান্দপুরনচিংবা অমসুং ইম্ফাল এয়ারপোর্টতসু মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা থৌরাং পায়খৎলে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা হোৎনবদগী ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসি ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লে। মক্রু অমসুং বরাক থোং শাবগী থবক খুমাঙ চাওশিল্লি হায়খি।

লমদম অসিদা দ্রগকী চৈথেং চাউনা নংলি। হৌখিবা চহি অমা মখায় রোম অসিদা দ্রগ কেজি কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি । গভর্ণমেন্ট অসিনা দ্রগ য়াওনা সেক্টর খরদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা তুংগী মীরোল কন্নবগী থবক চঙশিল্লি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ৫ শুবা আই আর বিগী কমান্দেন্ট এস জুগেশ্বর শর্ম্মনা কমান্দ তৌবা অপুনবা কন্টিঞ্জেন্ট ৫৮গী পেরেদ য়েংশিনবগা লোয়ননা মার্চ পাসকী সলামী পীখি। মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্টশিংগী মরক্তা নাগালেন্দগী ১৫ শুবা মহিলা আই আর বট্টালিয়ন অমসুং ৯শুবা বট্টালিয়ন মধ্যপ্রদেশ ষ্টেট আর্ম ফোর্সকী কন্টিঞ্জেন্টসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা পুলিসকী মীওই ১৯ দা মেদল লোয়ননা পুলিসকী মীওই অনীদা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ফোর কম্যুনিতি সর্ভিস খূৎশিন্নখি। ত্রোফি ফংখিবশিং অদুদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা অমসুং নাবকী ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস বি রিসিকেস শর্ম্মনি।

মীওই অহুমদা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ফোর এন্তি দ্রগ কেম্পেইন খূৎশিন্নখি। ত্রোফি অসি ফংখিবশিং অদুদি নাবকী এস পি দব্লিউ বাসু সিংহ, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস আই ফিলেম বঙ্কিম সিংহ অমসুং নাবকী কন্সটেবল গাংমৈ গাইজেন নি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল স্বাছতা এৱার্দ ফংখ্রবা খ্বাইদগী নানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু মনা মথুমশিং পীখি। স্বাছ সর্ভেক্সন ২০১৮ তা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী নানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু মনা মথুম পীখি। লোয়ননা স্পিসিয়েল ওদিএফ এৱার্দ মুদাদা খূৎশিন্নখি। লোয়ননা দি ই জি এস বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর প্রসান্ত ওইনামদা আই টিগী লমদা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অসামগী কামরঙ্গ দিষ্ট্রিক্টতগী ইন্দিয়া শিনবা থুংনা থা নিপাল নুমিৎ ২৫ নি চংনা সাইকল থৌদুনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং জাতিগী অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা পাউজেল শন্দোকখিবা লাইশ্রম রঞ্জিৎ কুমার সিংহদসু মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

লমায় ১ গী মখা

# ‘হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দে’গী পোৎলমশিং...

ৱারী শাননবা হোৎনবদা ফংবা ঙমখিদে, অদুগা ষ্টাফ খরসু মখোয়দি মতমদুদা দ্যুটি তাদে ঙসিখক্তমক দ্যুটি তাবনি। অদুনা থৌদোক্তুগী মতাংদা চপ–চাবা মরম অমদি ৱাহৌশিং খঙবা লৈতে হায়রি। অদুমকপু হোটেলে অসিদা লাকপা গেষ্টশিংগীদমক পূন্না লিফট মরী অখননা থম্মী। মসিগী মনূংদা লিফট নম্বর টু অমসুং গ্রীদনা ভিআইপিশিংনা কাথোক কাশিন তৌবদা শিজিন্নে, ইমর্জেন্সিগী ওইনা ষ্টিয়রসু তোঙান্না লৈ। অদুগা হোটেল ষ্টাফশিংগীদমক্তদি মনিংলোমদা তোঙান্না লিফট অহুম অমা লৈ হায়না পাউদম্লকখি।

এন্টরটেন্টমেন্টগী য়াওনা অতৈ প্রোগ্রাম্নচিংবা ৬ শুবা (লাষ্ট) ফ্লোরদা লৈরিবা হোলদা তৌই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক ঙরাং হোটেলগী পোৎলমশিং অকাই–অতোই থোকহল্লন্নিবসি লিফট য়াদবগীরা হায়বগী মতাংদদি মশিং মরী শুবনিনা অমা নৎত্রগা অনী য়াদ্রবসু অতৈদি য়াফম থোকই হায়রকখি।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা হোটেলসিদা ওফিসিয়েল প্রোগ্রাম লৈব্রা নৎত্রগা লনাই ওইনা লাকখিব্রা হায়বগী মতাংদদি হয়েং অয়ুক পূং ১০ নৎত্রগা ১১ গী মতুংদা মেনেজর লাক্লগা হংবিয়ু হায়রকখি।

অমরোমদা ঙরাংগী পূংফমসিদা ভিআইপিশিংনা শরুক য়াগদবা করি প্রোগ্রাম লৈখিবগে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুশিসকী ওফিসার খরদা হংখিবদা ওফিসিয়েল ওইবা প্রোগ্রাম লৈরগদি মাঙজৌননা পুলিস পার্সোনেলশিং দিটেন নৎত্রগা দিপ্লোয় হেক হেক তৌই। অদুবু ঙরাং নুমিদাংগী ওইনা ভিআইপিশিংগীদমক সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্ট তৌখিবা লৈতে হায়রকখি।

ঙরাংগী থৌদোক অদুগী মতাংদা হোটেলসিগী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওইনা কমপ্লেন্ট তৌরকপনচিংবা লৈতবনা কেসনচিংবা রেজিষ্টর তৌবসু লৈতে হায়রি।

# হকশেলগী তেঙবাং মখাদা হিদাক...

পীখিগনি হায়না নোটিশ অমা থেৎলবা তুংদা অনাববু শেবা তৌরিবা কার্দ পায়বশিংদা ইন্দিয়াগী মপান্দা শাবা অতাংবা মখলগী ব্রান্দেট তৌরবা হিদাকশিং পীরক্তবনি হায়রি।

সিএমঐচটিগী কার্দ পায়রবা অনাববু সেবা তৌরিবা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদগী সুরেস নিংথৌজমনা পাউমীশিংগী মমাঙদা হায়, সিএমঐচটিগী কান্নবশিং নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ফঙদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙরাং রিমসকী মেদিকেল সুপ্রিন্টন্দেন্টনা থোরকপা ওর্দর অমনা অতাংবা মখলগী হিদাকশিং ফামর্সি অসিনা ঙসি পীরত্রে।

মখা তারকপদসু মহাক্না হায়, সিএমঐচটিগী কান্নবা ফঙলিবসি চাউরবা নুপা লাক্ষ ২.৫০ রোমগী চাংদনি। অদুগা মসিগী মহুত্তা লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লমদমসিদা অহানবা ওইনা হৌদোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অয়ুসমান ভারত সিদনা অনাবা অমদা লুপা লাক্ষ ৫ রোমগী চাংদনি। হায়রিবা স্কিম অসি চৎনদ্রগসু হান্নদগী কান্নবা ফঙদুনা লাক্লিবা ব্রান্দেট তৌরবা হিদাকশিং মখা তান্না চৎনহল্লবা গভর্ণমেন্টনা শিনবীয়ু।

খোঙজং অদুদা রিমস হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরিবা মমিং য়াম্লবা অনাবগী সেবা তৌরিবশিংনা ফামর্সি মমাঙদা ৱাফমসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# প্রো ইস্লামউদ্দিন হাৎখিবগী...

লৈখিদ্রবা প্রো ইস্লামউদ্দিন মে ২৫, ২০০৯গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ রোম তারকপদা নোংমৈ পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি। থৌদোকসি থোকপগা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা এফআইআর নম্বর ১০৯(৫) ২০০৯গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি।

কেস অসি ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২/১২৩/১২০ বি/৩৪ অমসুং অন লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্স) এক্টকী সেক্সন ১৬/১৮/২০ অমদি ২৫(বি) অসাম এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টনা মে ২৮, ২০০৯দা থোকখিবা নোটিফিকেসন (নম্বর ১২/১(২৬)০৯– হোম (মিসেলিনস) অমবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ পার্সোনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্সগী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ট্রেনিংগী নোটিফিকেসন (নম্বর ২২৮/২৫/২০০৯ এভিদি টুনা অয়াবা পীরকপদগী কেস অসি মতমদুগী সিবিআই (ন্যু দিল্লি) গী এসপি ওইরমখিবা ভিকে বিন্দল (এসসি থ্রি)না অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। সিবিআইদা খূৎশিন্নবগী অয়াবা পীরকপা নোটিফিকেসন অসিনা জুন ২৫, ২০০৯দা মরি লৈনবা মিনিষ্ট্রি অসিনা থোকখিবনি।

সিবিআইগী কেস নম্বর অসিনা আরসি ৭(এস/২০০৯/এসসি থ্রি/সিবিআই/ন্যু দিল্লিনি। এজেন্সি অসিনা কেস অসি আইপিসিগী সেক্সন ৩০২/১২৩/১২০–বি/৩৪, য়ুএপি) এক্টকী সেক্সন ১৬/১৮/২০ অমসুং আমর্স এক্টকী সেক্সন ২৫(১–সি)গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

এজেন্সি অসিনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চখরবা মতুংদা মসিগী চার্জসিট তৌরকপদগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টনা সেসন ট্রাইয়েল কেস নম্বর ৭০ ওফ ২০১৫ লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল চখরকখিবনি।

হৌজিক কেস অসিগী চার্জ ফ্রেম তৌবা লোয়রবা মতুংদা মসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিথনেস (পিদৱীয়ু) শিংগী ইগজামিনেসন তৌবগী থবকসু লোইশিনখ্রে। মসিগী মথংদা চখরকপা এক্যুইজশিংগী ইগজামিনেসনগী থবকসু থাসিগী ৭তা কোর্টসিদা অরোইবা এক্যুইজ অমগী মচিন হংলগা লোইশিনখ্রে।

কোর্টনা ইকোন কোন্না জবান লৌখিবা এক্যুইজ অদুগী মমিং নাওরেম ইন্দ্রকুমার মৈতৈ (৩৮) কৌই। নম্বোল নাওরেম অৱাং লৈকাইদগী এন দাসুবা মৈতৈগী মচানুপানি।

মহাক্কী ইগজামিনেসনগা লোয়ননা এক্যুইজশিংগী ইগজামিনেসন লোয়শিনখিবদগী কোর্টসিনা থাসিগী ১৮দগী দিফেন্স ৱিথনেসশিংগী জবান লৌনবা মতম লেপখিবনি।

# টৌটেল সটদাউন অমদি বন্দ ইংনা লোইশিনখ্রে

অদুবু অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর অমদি সব দিভিজনেল হেদ ক্বাটরশিংদা ৭২শুবা ইন্দিপেন্টেন্স দে থৌরমদি অদুমক পাঙথোক্লখি। তৌবতবু মী তিনবগী চাংদি য়াম্না নেমখি হায়রি।

# এসেমব্লী ফম্বগী মতাংদা ঃ ঙাইহাক...

মতম মতম্মা পুরকপা ওইনা অথেংবা অহিং ওইরবসু মীয়ামগীদমক মথৌ তাবনি খন্দুনা কেবিনেট মীফম ফমখি। মতমদুগী গভর্ণমেন্ট অমদি ওপোজিসননা এসেমব্লীদা লৌবা ৱারেপশিং সেন্টরদা পুন্না তক্লবগী চৎনবী লৈরকখি হায়না ও ইবোবিনা হায়খি।

হৌজিক লমদমসিগী ওইরিবা ইশুশিং বোর্দর পিল্লরগী ৱাথোক, এময়ুগী ৱাথোক, নাগাগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাথোক্লচিংবশিং খন্নবা মমাঙদা নুমিৎ নীনি ফমখিবা মীফমদসু মখা তান্না খন্নবা স্পিকরদা হায়জখি। মদুদসু গভর্ণমেন্ট অসিনা শাংথবা মথৌ তাদে হায়দুনা তাবিখিদে। হৌজিক্লা এসেমব্লী ফমদুনা তান্নসি হায়দ্রিবসি অঙকপা পোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা নীংতম নুমিৎকী থৌরম অদুদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট টিএন হাওকিপ, কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মেম্বর গাইখাঙম, এমএলএশিং, কংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

# সিংহাৎকী ৬–সিখলাইট পোষ্টতা...

‘বি’ক স্পেনিগী পার্সোনেলশিংনসু খূৎ হন্দুনা মিনিট খরা লালহৌবশিংগা নোংমৈ কাপ্নখি হায়রি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা অশোক–অপন য়াওবগী পাউদি ফংবা ঙমদ্রি।

পাউসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসিগী এটেক্ট অসি ৭২শুবা ইন্দিপেন্দেস দেগী থৌরম্বু বোইকোট তৌদুনা ঙরাং অথিং নোংয়াইমতুং পূং ১ দগী ঙসি নুথিল পুং ৬ ফাউবা অথিংবা থমখিবা কোরকোমগী কন্সটিট্যুটেন্ট য়ুজি গ্রূপ অমনা চখবা ওইবা য়াই হায়রি।

অদুবু ঙসি নুমিদাং অথেঙবা ফাউবদি য়ুজি গ্রুপ অমত্তনা থৌদোকসিগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপা লৈখিদ্রি।

ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকশিংদা ৭২ ইন্দিপেন্টেন্স দে ২০১৮গী থৌরম পাঙথোক্লখিবা



চান্দেল




কাকচিং





থৌবাল


টেংনৌপাল


সেনাপতি


মোরে


কাংপোকপী



চুরাচান্দপুর